# তরানিপালশুবা লৈহাও দেবী নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা এফ সি লমজাও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৮ দগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চঙখরিবা ১৮ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ সি লমজাওনা মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি এফ সি লমজাও অমদি সেনা এঠলেট ওর্গনাইজেসন ( এস এ ও) ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি লমজাওনা এস এ ও ককচিংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী এফ সি লমজাওনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা এস এ ও ককচিংবু লাকশিন্না শান্নদুনা লেপ্তা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

টিম অসিনা হোৎনবা লেপ্তনা শান্নখিবনা মিনট ২৭ চৎপদা এফ সি লমজাওগী জর্সি নম্বর ৯ এল কিসন সিংহনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু এফ সি লমজাওনা অরৈবা থাদুনা তকশিন্দুনা শান্নদুনা জর্সি নম্বর ৯ এল কিসন সিংহনা মিনট ৩৮ চৎপদা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা জর্সি নম্বর ২৩ এস রোহিৎনা তিটমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৪৩ চৎপদা গোল শোথরিবা এস এ ও ককচিংগী জর্সি নম্বর ৫ এন জেক্সন সিংহনা গোল হনে দাক্কুনা ৩–১ দা লৈখি।

এস এ ও ককচিংগী মায়কৈদগী শোত্তরিবা গোল ২ অদু হনে দাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোইশিংনা বোল পুশিন্নবা লাক্লবদা এফ সি লমজাওগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না হৈ শীংনা ঙাকথোক্তুনা লৈখ্রবা মতুংগী মিনট ৭৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ এল কিসননা মহাক্কী হেদট্রিক গোল ওইনা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি। এস এ ও ককচিংনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ৩ দা জর্সি নম্বর ২ কে এস ঐচ সরজু সিংহনা গোল হন্দোক্লবসু মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ দিনেশ্বর সিংহ, টি ঐচ অরুন কুমার সিংহ, সি ঐচ শ্যামসন সিংহ অমসুং চিনচিননা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৩ গী নুংথিল পুং ২.৩০ দা সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) কৈরক অমদি য়ুনাইটেদ ব্রদরস স্পোর্টিং এসোসিয়েসন ( য়ু বি এস এ ) মন্তকগা শান্নগনি।

# নেসনেল আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুবা ষ্টেটগী আর্ম রেষ্টলিং টিম ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ আর্ম রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ৱেষ্ট সিক্কিমদা লৈবা সিক্কিম গভর্ণমেন্ট কোলেজ গীয়লিসিংদা চহী অসিগী জুলাই ২৯ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা মণিপুর আর্ম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং ঙসি ওকপগী থৌরম অমা য়াইস্কুল পুলিসলেন্দ এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোখিবা থৌরম অদুদা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কনভেন্নর আর কে শিবচন্দ্রল সিংহ, হন্নগী য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট কোন্সম লালঙম্বা, য়াইস্কুল এ সি ৱার্দ নম্বর ১৪ গী কাওন্সিলর শামোম রিতা, ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কাওন্সিরল লাইময়ুম ইনুংঙানবী দেবী, খেত্রিগাও জি পি কে এস ঐচ তমা অমদি সোসিয়েল ৱাকর নুরুল হাসননা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেনন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। নীংশিংবা য়াই মদুদি– পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা গোল্ড ৬, সিলভর ৮ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পূন্না মেদল ১৯ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে।

মণিপুরগী গোল্ড লৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি – সেনিয়র কাঙলূপকী কেজি ৭৮ তা কে এস ঐচ সান্ত দেবী, কেজি ৭০ দা এল সুস্পারানি দেবী, কেজি ৭৮ মথক্কীতা পি ঐচ নাওচা দেবী, জুনিয়রগী কেজি ৭০ দা শারাংথেম অরুন, সেনিয়র মেন্সকী কেজি ৬৩ দা আর কে মোজেস অমদি সেনিয়র ৱুমন্সকী কেজি ৭৮ তা পি ঐচ নাওচা দেবীনি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা– জুনিয়রগী কেজি ৫৫ তা থোইশাং, মাষ্টরগী কেজি ৬৩ দা টি ঐচ ওথেলো, কেজি ৭৪ দা দব্লিউ খোমদোম্বী, সেনিয়রগী কেজি ৯০ দা টি ঐচ মিলন, মাষ্টরগী কেজি ৯০ দা ঐচ দিপু, জুনিয়রগী কেজি ৬৩ দা এম দি ৱাজিট, জুনিয়রগী কেজি ৭৮ মথক্কীদা কে রোসনি অমদি দিসএবল মেন্সকী কেজি ৬৫ তা এল প্রেমনন্দনি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা– মাষ্টরগী কেজি ৭৫ তা টি ঐচ ওথেলো, সেনিয়র কাঙলূপকী কেজি ৭০ দা ঐচ দিপু, সেনিয়রগী কেজি ৭৬ তা এস সান্তা, জুনিয়রগী কেজি ৭৮ তা টি ঐচ য়াইফবা অমদি কেজি ৬৩ দা এম বিজিয়ানি । চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়ননা সেনিয়র কাঙলূপকী কে এস ঐচ সান্তা দেবীনা তাখি।

মণিপুরগী আর্ম রেষ্টলিং টিম অসি পি জমনিকান্তনা মেনেজর অমদি কে এস ঐচ বিক্রমজিৎনা কোচ ওইনা টিম অসি লূচিঙখিবনি।

# অহানবা সোলদোং য়ুনাইটেদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর রিভরলেন্দনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ সোলদোং য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা চান্দেল খৃষ্ট্রয়ন মিনি ষ্টেদিয়মদা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ২১ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথখরিবা অহানবা সোলদোং য়ুনাইটেদ ৯ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর রিভরলেন্দনা ওইখ্রে।

ঙরাং সোলদোং য়ুনাইটেদ অমদি রিভরলেন্দনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রিভরলেন্দনা য়ুম্বু সোলদোং য়ুনাইটেদপু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্টগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা চান্দেল খৃষ্ট্রয়ন মিনি ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চীঙশিনখি।

টিম অনীমক্না বোল য়াঙনা শান্নরকপনা মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা কিক ফোম পেনালটি মাক কাওন্নখি।

পেনালটি কাওন্নবদা রিভরলেন্দনা গোল ৫ অদুগা সোলদোং য়ুনাইটেদনা গোল ৪ খক স্কোর তৌখি। রিভরলেন্দগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ অঙনিংৱার, জর্সি নম্বর ১৪ মোনিংসন, জর্সি,ল নম্বর ৮ বুঙহোন, জর্সি, নম্বর ১১ ওলিভর অমদি জর্সি নম্বর ১৮ অঙজয়রিংনা চনখি।

মায়থিরবা সোলদোং য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ অল্টলি, জর্সি নম্বর ১৪ কেগেলিন, জর্সি নম্বর ৮ চুঙনৈহেল অমদি জর্সি নম্বর ১১ জুলিয়াননা চনখি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা সোলদোং য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ৫ সোনমনি অমদি জর্সি নম্বর ৮ চুঙনৈহেল অমসুং সিভরলেন্দগী জর্সি নম্বর ২ রিভরসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি য়ুনিনোফ, জয়ঙম, রিংনিদাম অমদি সুরজনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ই এফ সি ৱাংজিংনা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল উয়াল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ উয়াল ওরিন্টেল ক্লব ( য়ু সি সি) উয়ালনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১৬ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরকপা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর–১৫ সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ই এফ সি ৱাংজিংনা ওইখ্রে।

ঙরাং অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি ই এফ সি ৱাংজিংনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ই এফ সিনা অল অমিনবু গোল ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্টগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মায় পাক্লবা ই এফ সি ৱাংজিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ২ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৪ চনখি। মায়থিরবা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী গোলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

ই এফ সি ৱাংজিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ টি সনাথোইনা মিনট ৫ অমসুং ২৩ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ৪ ৱাই সুরজনা মিনট ৪৯, ৫৪ অমসুং ৬০ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ৭ ঐচ জোন্সননা মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ এম দি রশিদনা মিনট ৮ অমসুং ৫৯ চৎপদা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এম দি জহিরখাননা মিনট ৪৩ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ই এফ সি ৱাংজিংগী জর্সি নম্বর ৩ নিকোলাস, রন্নস অপ তাখ্রবা অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফমগী জর্সি নম্বর ৪ এম দি রসিদ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ এম দি রিয়াসাদতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদতমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা খাঙাবোক কেন্দ্রগী এম এল এ সুরজকুমার ওক্রম, উয়াল ওরিন্টেল ক্লব ( য়ু ও সি) উয়ালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ অজিৎ সিংহ, শঙ্গাইয়ুম্ফমগী জি পি এম দি হিপজুর রাহমন, ৱাঙবল জি পিগী প্রধান হৈশ্নাম মনিচন্দ্র সিংহ, থৌবালগী দি ৱাই এস পি এ খেলেন্দ্রো সিংহ, আর দি এন্দ পি আর তৌবালগী প্রোজেক ওফিসর এস নবাচন্দ্র সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরী আই কুলাধজনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেনন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ ন্যু দিল্লিদা চথরিবা ৬০ শুবা ইন্টরনেসনেল সুব্রোটো কপ ২০১৯গী চহী ১৭ মখা নুপীমচাগীদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা নিলামনি ইংলিশ স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টকী টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা থা অসিগী ৩ দা কেরেলাগা শান্নগনি।

ঙসি মণিপুরগী অরোয়বা লীগ মেটচ ওইনা গুজারটকা শান্নখিবা মেটচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎত্তুনা পূন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মণিপুরগী অহানবা মেটচতা মিজোরামবু গোল ২–১ দা অদুগা অনীশুবা মেটচতনা হরিয়ানবু গোল ২–০ দা মায়থ্বিা পীখি।

# ব্রেন্দন অমদি রুদাস নেসনেল কেম্প ফোর য়ু–১৩ ফুটসাল ৱার্ল্ড কপকীদমক কৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ২৮ দগী নবেম্বর ৩ ফাওবা স্পেনগী ক্টলুনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৯ এ এম এফ সি– ১৩, ফুটসাল ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ান্নবা ইন্দিয়াগী নেসনেল টিম শেম্নবগী কেম্পতা মণিপুরগী ব্রেন্দন ৱাইখোম অমসুং রুদাস তখেলচঙম্বম কৌখৎখ্রে হায়রি।



ব্রেন্দন ৱাইখোম উরিপোক তৌরাংবম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবী ৱাইখোম ওঙবী সোমিতা দেবীগী মচানুপানি। অদুগা রুদস তখেলচঙবম ব্রম্মপুর শঙাই চুথেক ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা তখেলচঙবম শর্ম্মা অমসুং তখেলচঙবম ওঙবী সুজবলা দেবীগী মচানুপানি।

মখোয় অনী অসি হন্দক তেলঙ্গনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা নেসনেল মিনি ফুটসাল চেম্পিয়ন্সিপতা পীখিবা প্রফোমেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা খনবনি হায়রি। মখোয় হৌজিক– হৌজিক শ্রি শ্বামিনয়ারন গুরুকুল বিদ্যিলিয়া হায়দ্রবাদতা ক্লাস ৭ অমসুং ৮ তন্নীবা মহৈরোইশিংনি।

# আর কে পেন্সিনা চহী ৯ দগী ১০ কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ ঙসি ন্যু দিল্লিগী শীলিফোর্দ দি দি এ স্পোর্টস কম্পেলেক্স, ওগষ্ট ক্রান্ট মাকতা পাঙথোকখিবা ২৪ শুবা ইন্টর স্কুল টেলেন্ট স্পোর্টস রোল্লর স্কেটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ দা মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্টরনেসনেল মোদেল অমসুং সোসিয়েল এক্টিবিস ময়াং লাঙবম দাইনাগী মচানুপী অতোম্বী আর কে পেন্সিনা গোল্ড মেদল ফংলত্তুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রে।

আর কে পেন্সি মমাঙদসু অসিগুন্নবা ইভেন কয়াদা মেদলশিং লৌরকখ্রে।

মহাক অসি হৌজিক– হৌজিক রৱান স্পোর্টস একাদেমি ( আর এস এ)দা স্কেটিংগী ট্রেন্নিং তৌরিবিনি।

# তরাতরুকশুবা চান্দম ইনুংঙানবী মিনি বোইজ য়ু–১৪ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা জি পি স্পোর্টস মায় পাকখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০১ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১১ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল ( জে ঐচ এস এস)কী প্লে গ্রাউন্দা ১৬ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী নীংশিং মিনি বোইজ অন্দর–১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেটচতা সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে।

ঙসি সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমদি কে এমৱাই সি টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসননা কে এম ৱাই সি টিমবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসন টিমনা তোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা কে এম ৱাই সি টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাঙদা সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসন টিমগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৫ সকির অলোমনা মিনট ৭ চৎপদা চন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙখি। মখাতনা টিম অসিগী জীর্সি নম্বর ৩ অব্দুল কলাম না মিনট ১২ অমদি ২৪ দা গোল অনী চন্দুনা পূন্না গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফত্ত কে এম ৱাই সি টিমগী জর্সি নম্বর ১১ না মিনট ৫১ চৎপদা গোল ১ চন্দুনা ৩–১ দা লৈখি।

অদুবু সনপুর জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জর্সি নম্বর ৫ সাকিন অলোমনা মিনট ৬৩ চৎপদা গোল অমা চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বী থোনখি।

মেটচ অসি অজিজ হায়দর, এল অনিল সিংহ, সালসুঙ অমদি ই তৌমচৌনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং কাঙদা য়াইস্কুল কেন্দ্র মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ১৪ না গ্রুপ– ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং ইনিংথৌ শঙলেনদা ৫ শুবা ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখুৎ মায় পাকখ্রে।

গ্রুপ–এগী মেটচ ওইনা ঙসি কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখুৎ অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখুৎনা শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখুৎনা কৈশামথোং কেন্দ্র (এ) কাঙখুৎবু পাঞ্জল ১৮–১৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখুৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌখি।

অদুগা মায়থিরবা কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখুৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি– এম নবাকুমার শর্ম্মা, জি পূণচন্দ্র শর্ম্মা, আর কে সনাজাউবা সিংহ, এল ওমনাট শর্ম্মা, এস জি সনাতোন শর্ম্মা, টি ঐচ লুখোই সিংহ, আর কে জিলাসনা সিংহ, টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ, আর কে লাইরেনসনা সিংহ অমদি ৱাই শ্যামন্দ সিংহনি।

মায়থিরবা কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি– ও নবা, ও নবদিপ, ও ইবোহল, সি ঐচ চুরামনি, এন সরত, কে নোরেন অমদি আর কে ধিরেননি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*